## এডিটোরিয়েল

### সঙাই ফেষ্টিভেলনা থানা ফেষ্টিভেল ওল্লকপা

*মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেল অসি খ্বাইদগী হেন্না চাওথোকচনিঙাই ওইবা মণিপুরগী ফেষ্টিভেল অমনি। মসি মরুওইনা ইন্দিয়াগী লুক–ইষ্ট নৎত্রগা এক্ত ইষ্ট পোলিসিগী মখাদা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লমদমশিংদা ইন্দিয়াগী নোংপোক থোঙ হাংনবা অচৌবা থৌরাং অমগী মখাদা থওইনা পাইখৎপা অমদি পাঙথোকপা ফেষ্টিভেল অমনি। মণিপুরবু ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউথোকচনিঙাই ওইবা মহৌশা লাইরেম্বীগী ফজবা খুৎশেম্না থল্লবা ষ্টেট অমনি হায়না ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবা পন্দিত জব্রাহরলাল নেহরুনা ইন্দিয়াগী স্বিটজরলেন্দনি হায়না ফাওবা শিংথাখিবনি। অদুবু ইন্দিয়ান রিপব্লিক অসিনা দিমোক্রেসি চৎপা লৈঙাক অমা ওইনা লাকপা মতমদা নোর্থ ইষ্টতা লৈরিবা ষ্টেট শিং অসিদি খ্বাইদগী হেন্না থওইদ্রবা লমদম অমা ওইনা লৈরকখি। মশাগী শেন্থোক লৈবা হায়বদি রেভিন্যু লৈবা অসাম ষ্টেটতা য়েংলিবা মীৎয়েংগা নোর্থ ইষ্টকী কোরিদোর ওইরিবা মণিপুরদা য়েংবা মীৎয়েংগা য়াম্না চাউনা খেন্ননা ইন্দিয়ানা নিংখাতম্বা লৈবাক অমা ওইরকপদগী চহী ৫০ দি লেল্লকখ্রবনি। মসিদি অমুক হায়রুদ্রবসু খঙদুনা লৈরবা ৱাফমনি। ইন্দিয়ানা বৃটিশকী শাসন অদুদগী নিংখাতল্লকখিবা অসি চহী ৬৮ শুখ্রবনি। হৌখিবা চহী ১৮ অসিদা অনৌবা মীৎয়েং কয়া নোর্থ ইষ্টতা থল্লক্পা অসি মরুওইনা ইন্দিয়াগী ফোরেন পোলিসি অমদি ইকোনোমিক পোলিসিদা য়ুম্ফম ওইরগা থল্লকপা মীৎয়েংনি। মতম অমদা ইন্দিয়াগী ইকোনোমিক পোলিসি অসিনা ইন্টরনেসনেল ইকোনোমিদা মীৎয়েং চংদ্রিঙৈদা লৈরম্বা সিষ্টেম অদু য়াম্না থুনা হোংদোরকলিবা অসি ইন্দিয়াসু চাউখৎলবা লৈবাকশিংগী মনুংদা চংবা য়াবগী ফিবম য়ৌনা ট্রেদ অমসুং কম্মর্সতা চাউখৎলকপগী মখা পোন্ননি। মসিদগী টুরিজম পোটেন্সিয়েল লৈবা মশাগী রেভিন্যু নেম্বা ষ্টেটশিংগী মনুংদা লৈরিবা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংদা মীৎয়েং থমদুনা টুরিজম ফেষ্টিভেল অসি পাংথোকপা হৌরকখিবনি। মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেলনা মায় পাক্লকপদা মণিপুরগী ফিশা লোনশা অমসুং অচা –অথক শেম্বগী আর্ট অসিনা মরম ওইরগা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী শক– চু মান্নবা অমদি চাবগী মহাও মান্নবা ওইরকপদগী ষ্টেট অসিদগীসু ইয়োঙ ফি অমসুং কলচরেল আইটেমশিং অসিনা মরম ওইরগা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লমদমশিংগা ট্রেদ অমসুং কম্মর্সকী লমদা অচৌবা মফম অমা ঙসিদি কন্দুনা লাক্লে হায়বসি ঙরাংতা লোইশিনখিবা দিল্লিগী প্রগতি মৈদানদা পাঙথোকপা ইন্দিয়া – ইন্টরনেসনেল ট্রেদ ফেয়ারদগী খঙবা ঙম্লবনি। অদুবু মণিপুরগী ওইরিবা ফিবমশিং অসিদা ষ্টেটসিগী ওইবা মীয়ামগী লুচিংবশিংনা মথোং হুক্তবা থবকশিং তৌদুনা লৈবা অমদি মীয়ামগী সেন্টিমেন্টতা শোকপা থবক কয়া তৌরকপদগী মরুওইনা পাউ–চেশিংনা অকনবা প্রোটেস্ত অমা তৌরকপসু ওইবা য়াই।*

*মরম কয়াশিং অসি লৈবদগী ফেষ্টিভেল অসিগী মগুন অসি খঙহেন হেনগৎলবা মতুং নোংমা নোংমগী চহীগী ওইনা লৌখৎপা য়াবা হিরম কয়া অমা হাপচিল্লকপদগী ঙসিদি খ্বাইদগী চাউবা ইন্টরনেসনেল ফেষ্টিভেল অসি শরুক য়াগদবা মপান লমগী তঙাই ফদবা মীওই খরা পুল্লগা পাঙথোকলবা ওইনা তৌই। মসিদা খ্বাইদগী হেন্না ঙকনা থোক্লিবদি ফেষ্টিভেল অসি চখদ্রিঙৈগী মমাংদা লৈরম্বা ফেষ্টিভেল অদুনা খ্বাইদগী হেন্না তমথিরিবসি মশা মশাগী ইন্টরেষ্টতা লো এন্দ ওর্দরগী ৱাফম কাওথোকখিবা অসিনি। মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেলগী থৌওংসি পেন্দে মসিদা তোঙানবা লুপ কয়াগী শেন্দানফম ওইবগী মহুৎতা মীয়ামগীদমক লেপ্লগা সঙাই ফেষ্টিভেল অসি পাংথোকপদা চেন্নরিবা সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিংগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক কয়া থোক্লি। মপুম ওইনা অরৈবা মণিপুরগী ফোর্স খুদিংমক অসি মপুঙ ফাদবা মানবা অমসুং ট্রেনিং য়াওদবশিংনা মথোং খংদনা চখবা থৌওংদগী সঙাই ফেষ্টিভেল অসি থানা ফেষ্টিভেল ওন্থোকখিবা ওইরম্বসু য়াই। মীয়ামবু ঙাক–শেনগদবা থানানা মীয়ামদা নাতৈ চাদবা লমচৎ কয়া উৎলিবসি তশেংনা সঙাই ফেষ্টিভেলসি থানা ফেষ্টিভেল কৌবদা মতিক চারে হায়রিবরা নৎত্রগা থানগী অশোয়না লৈ হায়বসি য়াফম থোকপ্রা হায়বসিসু হংবা য়াবা ৱাহং নত্তবরা ?*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### স্মার্ট সিটি শেম্বগুম্না রেল লম্বী শেমসি

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

*হৌজিক শেমগৎকদৌরিবা স্মার্ট সিটি ২০ গী মনুংদা ইম্ফালসু য়াওবা ঙম্নবা মীয়ামগী মত সজেসন অমদি কম্মেন্ট সরকানা কৌরি। অসিগুম্বা থৌওং অসিমক ট্রেন লম্বী শেম্বগী মতাং অসিদসু স্মার্টকুম্না মাংজৌননা মীয়ামগী কম্মেন্টশিংদু মত অমদি অতৈ অতৈশিং কৌফম থোকই। হন্দক্কী অনৌবা চিফ সেক্রেটরী ও নবকিশ্বরগী ৱাখল্লোনশিংবু থাগৎফম থোকই । হান্না থবক অদু পায়খৎনবা হোৎনদ্রিঙৈ মাংজৌননা নিংথিনা খন্ন–নৈনরবা মতুংদা মায় পাক্লা মীয়ামগী অয়াবগা লোয়ননা চংশিন বদা মায় পাক্লোইদবা লৈতে। ফনা ফবা পান্দমসু ওইসনু মীয়াম তান্নদনা ঙম্মী হায়দুনা হেক্তা নম্ফু হাফুগী শক্লোন লৌদুনা নমদুনা শেম শাখিবনা তুং কোয়না অফবা পুরক্লোই। হৌজিক ট্রেন লম্বী শেম্নবনি হায়দুনা অফবা লৌফমশিং শোক্লা সরকারনা সর্ভে তৌরিবসি হন্দোকহৌবনা ফগনি। মীয়াম্না য়াদ্রবদা মদুদা অঙম্বনি হায়দুনা তৌশিনবনা অফবা ওন্থোকপা য়ারোই হায়বসি খঙজিনবা চুমগনি। ইকায় খুম্নজরিবা চিফ সেক্রেটরীনা পুখ্ৎলক্লিবা থৌওং অসিগুম্না হান্না লৈরম্বশিং অমত্তনা পুখৎলমদ্রি। মদুনসু মণিপুরনা চাওখৎপগী থাক নেম্না লৈরমলিবসিসু ওইরম্বা য়াই। স্মার্ট সিটিগী থৌওং অসিগুম্না ইকায় খুম্নরিবা চিফ সেক্রেটরী ওইবিরিবনা ট্রেন লম্বীগী মতাং অসিদসু মাংজৌননা তুংগী ওইবা য়াগদবা সজেসন, কম্মেন্ট অমদি মতনচিংবা ফোংদোক্লবগী অমদি খূলশিং, ওর্গানাইজেসন, ক্লব সংস্থান কয়াদগীসু ফোংদোক্লবা শিনবরিবদি পূম্নমক্কী অফবা ওইরক্কনি। ডিভলপমেন্ট পায়খৎলিবনি হায়দুনা অফবা মফমশিং লৌফমশিং শোকহল্লগা মাংহল্লগা পুখলিক্কদৌরিবা কান্নবসি করিনো খঙদবা ওফিসার কয়াগী থৌওং হোংদোকহৌবনা চুমগনি। অথুবা মতমদা মীয়ামগী অয়াবা খঙনা থবক পায়খৎপিয়ু। অফবা লৌফম শোক্লকপদা মীয়ামনসু য়েংদুনা তাদুনা লৈথোক্লোই।*

***অদোমগী***
***ইঙুদম খম্বা মীতৈ***
***লংথাবান***

# সংঘ পরিবার মনুং নাকপাক তানরকপদা

হিন্দু নেসনেলিজমগী ৱাখল্লোন লুচিংলিবশিংনা হিন্দু নেসনবু মান্নবা নাৎ, পুৱারী অমসুং লোন্দা য়ুম্ফম ওইরগা শাগৎলি, 'নেসন' হায়বগী ৱাখল্লোন অসিমক নোংচুপলমগী ৱাখল মীয়েংনি। হিন্দুগী থায়নগী চৎন–লীক্লম অসিসু 'অপূনবা তাইবংপান অসি ইমুং–মনুং অমত্তনি হায়বা' বসুদৈব কুটুম্বকম' অসিদা য়ুম্ফম ওইরি। মতাংসিদা

কংগ্রেসকী লুচিংবশিংগী ৱাখল্লোন্না হিন্দু নেসনেলিষ্টদগী খেন্নবা লৈরি।

**কংগ্রেস লুচিংবশিংগী নেসনেলিজম্না লৈবাক অপুনবা অসিগী লম্মীৎ তুম্মীৎলোনগী লৈইনা কোয়শীল্লিবা লমদম অসিগী অপুনবা মীয়ামবু অমত্তা চীম্থহনবা তৌদনা মান্নবা থাক্তা নেসনেলিজম শাগৎলি, অদুগা হিন্দু নেসনেলিষ্টশিংনা মীতোপ লাইনিং–নাৎকী তুংইনবশিংবু খাইদোক্তুনা থম্বা য়ুম্ফম ওইদুনা হিন্দু নেসনেলিজম শাগৎলি।**

তশেংনা হায়রবদি, ইন্দিয়া অপুনবগী মীয়াম্না ঙাংলিবা অমত্তা ওইবা লোন লৈতে, হান্নসু লৈরক্তে। ইন্দিয়াগী মীওইশিংনি হায়বশিংনা তোঙান–তোঙানবা নাৎ অমসুং চৎন–লোনচৎশিং তোপ–তোপ্পা লৈজে। মখোয়না জাৎ–কাঙলুপ নাইবা,

**হাওবা**

লাইনীং খেন্নবা, লাইনীং–লীচৎকী থাজনবশিং, ফুরুপ–কাঙলুপকী ওইবা লীক্লমচৎশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা ইন্দিয়াগী মীওইশিংনা চৎনদুনা লাক্লি। মতাংসিদা হিন্দুগী গুরু সবরকার অমসুং গোৱালকার অনিগী মরক্তা খেন্নরিবা অসি অমত্তা ওইবা লাইনীং নাত্তা য়ুম্ফম ওইবা অমত্তা ওইবা লোন শাগৎপগী মতাংদনি। সবরকরনা পামখিবনা ঈ–মরীদা অমসুং অমত্তা ওইবা ঈ মরীগী চারোল–শুরোলশিংদা য়ুম্ফম ওইবা হিন্দু নেসনেলিজমনি অদুগা গোৱালকারনা পামখিবনদা অমত্তা ওইবা (মান্নবা) লাইনীং–নাৎ, লোন অমসুং পুন্না হিমিন্নরল্লিবা চাদা–নাউদাশিংগী অপুনবদা য়ুম্ফম ওইবা হিন্দু নেসনেলিজম্নি। গোৱালকারগী মতুংইন্ননি, মশাগী নাৎ–লীক্লম ঙাক্লা চৎলমদবা 'মলেচশিং' (অতোনবা থাক্কী মীওই–অনার্য্য) অসিগী মথক থোংনা অর্য্যশিংনা লৈরকখি হায়বসিনি। আর্য্য নত্তবশিংবু হিন্দু লাইনীং–নাৎ চৎননবা মীতোপ ওইবগী ৱাখল মীৎয়েং তোক্লবা গোৱালকারনা তকশীন্দুনা লাকখিবনি। মহাক্লা হায়রিবা য়াথং অসি ইন্দ্রবদি ইন্দিয়াগী লৈবাকমী (সিটিজন) নত্তবা মীতোপ ওইনা লৌগনি অমসুং মখোয়গী ফংফম থোকপা হকশিং ফংহল্লরোই হায়রকখিবনি। মহাক্লা মুসলিমশিংবু লৌনম–নমথাক হৈরবা, মশানা মীনাই ওইজরবা অমসুং মাঙ–তাক্লীঙাই মশক ওইরবা মীওই কাঙলুপ্নি হায়রি ( রোয়, ১৯৮৯ লামায় ৬১)। মতৌ অসুম্না, হিন্দু নেসনেলিজমগী ৱাখল্লোন্না মান্নবা লাইনীং–নাৎ, নৎত্রগা লোন্দা য়ুম্ফম ওইরগা মান্নবা মীয়ামগী লীপুন শাগৎনবা হোৎনদে।

মসিগী মহুত্তা, আর্য্যশিংনা মকোক থোংনা হিংগদবনি অমসুং আর্য্যশিংগী অৱা–চৈথেং ফংলি হায়বা ৱাখল্লোনগী মায়োক্তা অমদি মীতোপ লাইনীং–নাৎ অমসুং জাৎ–কাঙলুপ ওইবগী মায়োক্তা তুক্কচবা পোকহনবদা য়ুম্ফম ওইবা অপুনবা শক্তম শাগত্তুনা লাকই।

অসিগুম্বা হিন্দুশিংগী অমত্তা ওইবা লাইনীং নাৎ অমসুং লোনগী ৱাখল্লোন অসি য়াম্না তোপ তোপ্পা ওইনা লৌনৈ। মসি বুদ্ধিজমবু ভারত বর্ষদগী মপান লৈবাক্তা লোই থাদোকখ্রবা মতুংদা শঙ্কচার্য্যনা খোমজীল্লগা ইখিবা আর্য্যান বেদ ওইরিবা উপনিষদশিং অমসুং অদ্বাইট বেদান্তগী লাইরিকশিংদা য়ুম্ফম ওইবা হিন্দুস্থানগী অপুনবা শক্তম শাগৎলকখিবনি। গোৱালকারনা হায়রম্মী ঃ ''বুদ্ধিজমগী ঈথিল অসিনা অচৌবা মপু (গ্রেট মাষ্টর)গী পাউতাকশিংবু লান্না লৌনহন্দুনা, মীয়ামগী থম্মোয়দা তৎন–থানবা য়াদনা লৈরক্লবা থাজনবীশিং অসিবু করিসু কান্নদবা অমগুম্না ফাওহন্দুনা য়াম্না অৱাবা অমসুং লাঙতক্লবা পোকহনবগী চৈনা চৈথেং ফংহনখিবনি''। *Gowalkar wrote in 1939 page 48 : '' Budhistic influence a misunderstanding of the teachings of the Great Master had the baneful effect of effacing from the minds of the masses their tenacious adherence to their faith.''*

অসুম্না হিন্দু নেসনেলিষ্টশিংনা মান্নবা খুনাই অমসুং লৈশেম্লোন শাগৎলম্বা হিন্দু মায়চৌ (লম্বোইবা)শিং হায়বদি রবিদাস, টুকারাম, কাবির, মিরাবাই, শিখ লাইনীং, বুদ্ধ লাইনীং, জৈন লাইনীং, চরবক ৱাংউলোন, সিদ্ধ অমসুং নাঠ পন্থাশিং অমদি অতৈ মান্নবা খুনাইদা য়ুম্ফম ওইবা লাইনীং–নাৎকী ৱাংউলোনশিংবু মৱা লৌখিদে, নাথৈদুনা থমখি। হিন্দু নেসনেলিষ্টশিংনা অমত্তা ওইবা লাইনীং অমসুং নাৎ থিবগী থৌওংদা খুনাইবু ময়াইদা খাইবোক তানা খায়দোক্তুনা থাক নাইবা খুনাইগী কাঙলোন শেম্লিবা লাইরিকশিং অমসুং চৎনবীশিংবু খনগত্তুনা চৎনরি। অসিগুম্বা থাক নাইবা খুনাইবু অমাং অশেং খাইদোকপগী মিংদা অমসুং হম্বা অমদি মথক থোংবা থাক্তা থম্বগী য়ুম্ফম অসিবু অচুম্বা মালহল্লি।

অদুঙৈ আর্য্য নত্তবশিংগী মান্নবা থাক্কী লীক্লমচৎ অদুদি মীয়াম পুম্নমক কোনশীনবা থৌওংনি।

মতাংসিদা পনবা য়াবদি, অচুম্বা ৱাখল্লোনবু পুক্নিং থৌগত্তবা অমসুং ৱাখল–মীৎয়েংগা লোয়ননা খোমজীন–তাশীনবগী থৌওংদা মতেং পাংবা ঙমদ্রবদি, লাইনীং লীচৎকী চৎনবীশিংনা অপুনবা মান্নবা নাৎকী ওইবা খুনাই অমা শেমগৎপদা মতেং পাংবা ঙমদে। মতম অদুদি ওঠোরিটিনা ঙাক্লৌ পীরিবা ষ্টেট (নেসন) লৈঙাক্লা চখরকপা থবক থৌওংশিং য়াবা তাই। মসিৱাইদদি, ওঠোরিটিনা ঙাক্লৌ পীরিবা লৈঙাক্লা নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লিবা মান্নদবা থাক অসি য়েংশীন্দুনা ৱাখেরোল পীনবগী হোৎনবা মথৌ তারে। মান্নদবা থাক হেনগৎলকপগী চাং অসি ঙসিদি ঐখোয়গী মাঙদা হেনগৎলক্লিবা শেঞ্জাও পায়বা মিলনিয়র মশীং অমসু লায়রবগী চাংনা নোংমা নোংমগী হেঞ্জিল্লক্লিবা অৱাবা ফীভমশিং অসিগী থৌদাংদি লৈঙাক্লা লৌদবা য়ারোই।

য়াম্না ঙক্লিবদি, দিমোক্রেসিগী মফমসিদা হিন্দু নেসনেলিষ্টশিংনা জাৎ–কাঙলুপ নাইবা কাঙলোন অসিবু পামদবা লৈতে। সাবরকরনা ইরম্মী (১৯২২) ঃ '' জাৎ–কাঙলুপ নাইবা কাঙলোন্না মথৌ তৌরিবশি লমদমসিগী মরৈবাক নীংজবা লো শেম্বশিং অমসুং মুনি–ঋষিশিং অমদি নিংথৌনা থাজবগী য়ুম্ফমদা মখোয়গী ইকায়–খুম্ননিঙাই ওইরবা ইমুং–মনুংশিংবু কাঙলোন নাইনা লাকশীন্নবগী পান্দম্নি অমসুং মদুনা লেপ্পা লৈতনা চাওখৎলক্লিবা ইকায় খুম্ননিঙাই ওইরবা থায়নগী লনশিং শোকহনবা তৌদনা লায়রবশিং অমসুং লুখ্রা–পখ্রাশিংবু পুন্সি মহিংগী হার হাপতুনা অমদি ইনাকখুন্না লৈহন্নবনি।'' জাৎ–কাঙলুপ নাইবা খুনাইগী কাঙলোনবু 'দ ইন্টিগ্রেল হ্যুমেনিজম দোক্ত্রিন' পুথোক্লম্বা দিনদয়াল উপধয়না অচুম্বা কাঙলোন্নি হায়রম্মী অমসুং মসিনা অফবা মখলগী খুনাইগী ওইবা লুপ (ওর্গেনাইজেসন) অমা ওইহনবা ঙমগনি হায়বসিনি। বি জে এস (ভারতীয় জন সংঘ)গী মতম অমগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা বলরাজ মাধোকনা জাৎ কাঙলুপ নাইবা খুনাইগী কাঙলোনবু অচুম্বা কাঙলোন্নি হায়রম্মী। মসিগী মরমদি, মীওইবগী হকচাংদা য়াওরিবা খেন্ন–খেন্নরবা হকচাং কায়াৎশিংনা তোঙান–তোঙান্না খেন্নবা মওংদা থৌ পাঙথোক্লি। অদুম্মক ওইরবসু, মখোয় ময়াম্না পুনশীল্লগা হকচাং ওইদুনা মতম পুম্বদা অমত্তা ওইবগী থবক তৌই। মতৌ অসুম্না, তোঙান–তোঙানবা জাৎ–কাঙলুপশিংনা তোঙান–তোঙানবা মথৌশিং তৌরি অদুবু হায়রিবা জাৎ কাঙলুপশিং অসিনা তৎন–থানবা য়াদ্রবা অপুনবা খুনাই অমা শেমদুনা লাকই হায়বসিনি।

**অসুম্না, হিন্দু নেসনেলিষ্টশিংগী ৱাখল–মীৎয়েংদা মশীং য়ামজদ্রবা ফুরুপশিং অসি মীতোপ ওইনা উরি অমসুং মসিনা 'হিন্দু রাষ্ট্র' দা কিনীংঙাই ওইরবা শীংনবা অমা পীরক্কনি হায়না লৌনৈ। মীশিং য়ামজদবা ফুরুপশিংনা লৈবাক্কী ওইবা অকিবা অমা পীরক্কনি হায়না**

**শাগৎপগী পান্দম্না ফুরুপ কাঙলুপ নাইবগী ৱাখল্লোন অমা শোয়দনা ঈথিল পীবা ঙম্মী, অসুম্না ইন্দিয়া অসি তোঙান–তোঙানবা ফুরুপশিংগী লৈরাং নাচোম্নি হায়জরবসু, হিন্দু নেসনেলিষ্ট খুনাইগী কাঙলোন অসিনা মীশিং য়ামজদবশিংনা মসিগী চৈনা–চৈথেং ফংদুনা লাকই।**

অঙকপদি, আর এস এসনা মীশিং য়ামজদবশিংগী নাৎ অসিবু অয়াব পীবা লৈত্রি (নুরানি–২০০০)।

হিন্দু নেসনেলিষ্টশিংগী মতুংইন্না, মীশিং য়ামদবা ফুরুপচাশিংনা মীশিং য়াম্বা ফুরুপকী নাৎ অদুবু শোয়দনা অয়াবা পীগদবনি (ইনগদবনি) অমসুং খেন্নরবা ফুরুপশিংনা অমত্তা ওইবা মান্নবা অচৌবা খুনাই অমা লিংখৎকদবনি হায়বসিনি। অদুবু মীশিং য়াম্বা কাঙলুপশিংগী করম্বা নাৎ (কলচর) পু ' নেসনেল কলচর' ওইনা অয়াবা পীরিবগে হায়বদুদি আর এস এসনা থাক লেপতুনা ফোঙদোকপা লৈত্রি।

মশীং য়ামজদবশিং মরুওইনা মুসলিমনচিংবদা পীরকপা চৈথেংদি, হিন্দু নাৎ অসি অয়াবা পীগদবনি, মদু চৎকদবনি অমসুং নেসনেল কলচর অমা ওইনা থাগোন্নগদবনি অদুগা মুসলিমশিংগী অমসুং ইসলামগী নাৎকী খুদোল অসিবুদি য়েক্নবা ওইনা লৌরি হায়বসিনি। মুসলিমশিংনা বাব্রি মসজিদ হঞ্জিন্নবা হোৎনবা অমসুং শন–শা চাবা থাদোক্কদবনি (পাঠক–২০১৫)।

আর এস এসদা য়াওবা লুপশিংনা মীশিং য়ামজদবশিংবু এন্টি নেসনেল ওইনা লৌদুনা হিন্দু লাইশঙ মনাক্তা ফাওবা চঙবা য়াহন্দে, হিন্দু লাইদা কৎচবগী জগোয় ( গর্বা পন্দাল) দা চঙবা য়াহন্দে। মশা মশানা য়ানীংনা লৌন–লৈনখ্রবা হিন্দু নুপী অমসুং মুসলিম নুপাবু ফত্তবা খুদম ওইনা লৌনৈ অমসুং নুংশিবগীদমক লাইনীং ওনখ্রবা হিন্দু নুপীগী থৌওং অদুবু 'লব জিহাদ' হায়না খঙনৈ। করিগুম্বদা মুসলিম অমদা হিন্দুগী লৈফম য়ুম অমা য়োনশীন্দুনা আহমেদবাদগী হিন্দু লৈকায়দা লৈবা তারবদি, য়ুম অদু হিন্দুগী য়ুম ওইবা মরম্না মদু হিন্দু অমদা অমুক হন্না হঞ্জিল্লকপা তাই নৎত্রগা মহাকপু হিন্দু ওন্থোক্তুনা 'ঘর ৱাপসি' চৎনরোল ঙাকপা তাই হায়রসিনি।

অসুম্না হিন্দু নেসনেলিষ্টশিংনা হান্ন–হান্নগী লীক্লমচত্তগী হোংদোকপনা পামহন্দবা, হিন্দু নেসনেলিষ্ট মশেনগী মরক্তা নাকপাক তানবা, শুপনম লৈঙাক্কী মফম পীবা অমসুং লিবরেল ওইদবা লৈবাক অমা অমুক হন্না পুরক্নবা হোৎনরি। ফীভম অসিদবু 'সংঘ পরিবার' না কমদৌনা শেম্বুমগী ওইবা 'লিবরেলিজম' মপু ওইনা চখবা ঙমগনি? অদুবু অশেংবা ৱাখৈরোলদি, পোলিটিকেল লিবরেলিজম' না হিন্দু নেসনেলিজমগী ৱাংলোনগী ময়োল ওইফম থোকই।

# মপান লমগী ফেষ্টিভেল উরুরগা

মণিপুর ৱাংমা হেক লানখিবগা আসাম ষ্টেট নাগালেণ্ড ষ্টেট মথংদা লৈরিবনি। চহী খুদিংগী নাগালেণ্ড অমদি আসামগী মখোয় মখোয়গী ফেষ্টিভেল কয়া–কায়দনা পাংথোক্লি। পাংথোক্লিবা ফেষ্টিভেল নৎত্রগা থৌরমশিং অদুবু লাকইবা মীওইশিং কয়াদা খঙহন্নবা মৈগী বল্ব (ডিস্কো) মখল মখা কয়ানা মুর্ত্তি কয়া শেমদুনা উহল্লি। নুমিদাং মতমদা মৈঙাল কয়াদুনা শেন্লিবা শক্তম কয়াদগী পাংথোক্লিবা থৌরমদুগা শেন্লিবা ডেকোরেসনশিং অদুগা চান্নহন্দুনা অরাকপা অয়েংবা ভাবকশিংগী পূক্নিং শুমহৎলি। লমদমসিদদি কদাই? ফীরাল অমনবা মচু কোকথরবা ফীমনশিং খোমগৎপা মানবশিং, মোবাইল কম্পানিশিংগী এতভরটাইজ পোষ্টর কয়া নত্তনা অতৈ করি য়েংবদা উবিবগে? ডেকোরেসনগী থবক তৌবিরিবা খুদিংমক নামৈ য়েপতবা খুদৈ লোঙ্গি হৈনবা কাংবু কয়াগী ডিজাইন্দ মালহনবসিনি ঙক্লিবদি। য়াম্না ঙক্লিবদি লমদম অসিগী সি এম ওইরিবনা লৈরিবা বঙ্গলো অসিগী ৱালশিংদা শেন্লিবা ডিজাইনশিং উরুবদা অঙকপা কয়া পরেং শানা কীউদা চেনশিল্লকখি। মসিদসু অমুক কনাগুম্বা খরনা খুৎলাইগী শক্তি কয়া শিজন্নরক্তুনা মুনফাত্রবা ফেষ্টিভেল অসি কাথেক্লবা হোৎনরি। মসিদা কাথেক্কদৌরিবা শোক্কদৌরিবশিং ঐখোয় মশেল ঙাক্তনি হায়বসি খন্থমিন্নবা দরকার ওইরি। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী লুচিংবা হৈবশিংগী ৱাখল্লোনশিং ঙসি মীয়ামদা উহনবদা নত্তনা মীরমগী মীওই কয়াদসু উৎলি। লম লম খুদিংদা পাংথোক্লরিবা ফেষ্টিভেলশিংদা মখোয়না মরুওইরিবা পোৎশক অদুতবু মীয়াম খঙহন্নবা মৈগী ডেকোরেসন অমদি অয়েকপশিং কয়াগা লোয়ননা মীয়ামদা উহল্লি।

**কাংজিয়া মহেন্দ্র**

মখোয়না উৎলিবশিং অদুদগী লাকইবা খুদিংনসু তৌরিবা ফেষ্টিভেল অদুগী নুংগী ৱারমশিং লাইনা খঙবা ঙমহন্দুনা য়েংলুবগী অপেনবশিং ফঙজবা ঙম্মী। অদুবু ঙসিফাওবা লমদমসিদা পাংথোক্লিবা পাংথোকখ্রিবশিং কয়া কয়াসিদি চুম্নগী বেন্নরশিংদা ইরম্বগী খঙবা নত্তনা পোৎশক অদু য়েংনিংহনবা উনিংবগী ৱাখল্লোনশিং লৈহন্দে। মপান লমগী তৌরিবা মৈগী ডিজাইন্দ পূম্নমক উহন্নিংইবা পোৎশক অদুখক্তগী উহন্নবা হোৎনবনিনা অউবশিংনসু অপেনবা পোকই। সিদদি কদায়? য়াম্না লুজদ্রিবদি সি এমগী লৈরিবা বঙ্গলো অৱাং ৱালশিংদুদা মৈগী ডিজাইন্দ তৌরিবদুবো লমদমসিবো অঙাং য়ুম্বান ওইনা উহল্লিবসিবু করিগীনো? লগাও ময়েক মানবা কায়া শেমবসিদা য়ারিবা সি এমগী কোকসিসু অয়াবনি হায়নিংই। মপান লমগী মেলাকাদু য়েংলক্তবরা নৎত্রগা ষ্টেট অমগী সি এমনি হায়দুনা মপানকা থোকহল্লক্তবদগীসু উরক্তবনরা শেমলি শারিবশিংগী অশোয়বশিং অমত্তা খঙদবগুম্না লৈরিবসিবো? দুর্গা পুজাগী ফেষ্টিভেলশিং কয়া কয়াদা দুর্গাগী মুর্ত্তি মৈতগী মঙালশিংনা শেমলিবশিংদু মদুদা অমুক ফজবা ডিজাইন্দ পুথোকপা তান্নরিবনি। ঐখোয়গী সঙাইগী ফেষ্টিভেল অসিদদি মৈ পুথোকপিনবসু লৈতরে, মৈ শেম্বীনবসু লৈতরে সঙাই য়েকপা হৈবসু লৈতে। কয়াদা ৱাৎনা লৈরিবা! উ লৈতবা মফমদা কেগেনা য়ুম্বী ওই হায়বদু হেক নীংশিংলকই। দল মশেল ওনশিন্নদনা চীন্দা পাওদানবদদি শিংয়ুদে, মাদা নত্তে ডিপুটিসু মঙাই, অদুগা মায় পাকহনগদৌরিবা ইজ্জৎ ওইগদৌরিবা ফেষ্টিভেল অসিদগী চাক–পকপা হায়বদুমক চুশিন্নরে। নখোয়দি ইকায়বা খঙবগী টেম্পর লোইরম্বসু য়াই অদুবু টেম্পর লৈরিবশিংদদি লৈক্রক থিবসু য়াওরিবনি। হৌখিবা ফেষ্টিভেল অদুদসু সি এমগী অৱাং থংবগী ৱালদা পিরিবা ডিজাইন্দশিংবু মতুং তৌদনবা সঙাই খাবরদফাওবা শাবাক ফাকখ্রবনি অদুবু হৌদোংদা ফুবদি ফুখিবা অদু ঙরাং ওইরমগনি অমুক চংশিল্লি হায়নবদুনি। প্রজাশিংনা ফোংদোরক্লিসি নখোয়বু শোয়হন্নিংদবা অৱাৎপা লৈহন্নিংদবা অদুগীদমক তমজবনি। অৱাৎপা হায়দুনা শেল থুম নখোয়গী ৱাৎপা ৱাৎতবগী ৱাফম নত্তেকো। প্রজানা তৌরিবসি ৱাইকুপ পুরিবগী ৱাবীবা হায়বদুমক তাহনবীগনুও! হৌজিক মতমসু খরা লৈরিবনিনা সি এমগী ৱালগী মৈগী ডিজাইন্দশিংসি শুপ্নতগী সঙাইগী ঙাক্তা ওন্থোকপীয়ু লোয়ননা ট্রাফিক পোইন্দশিং মরুওইবা মফমশিং কৈশামপাৎ, কৱাকৈথেল অসাম রাইফল কংলাগেট নম্বর ৱান–টুশিং শিংজমৈ সুপর মার্কেট এয়ারপোর্ট বাজার মার্কেট মফমশিংদা অচৌ অচৌবা মৈতনা শেম্বা সঙাই শক্তমশিং শেমহনবা চুম্লই। মসিদা অতোপ্পা শক্তমশিং উৎপগী অয়াবা লৈহনফম থোক্তে। ফেষ্টিভেল মফম খুদিংদসু সঙাইগী শক্তমশিংদা ডেকোরেট তৌহন্দুনা সঙাইনা পৃথিবীদা শক্তাকপা ঙমহন্নবা থৌনা পীবীগদবনি। ঐখোয়গী সঙাই মমিংসি অমরোমদদি মীগী মমিং সঙাই হায়বসু য়াবনিনা সঙাই ফেষ্টিভেল ওইনা তৌবদগীসু ওইরমগনি থাজে।